## এডিটোরিয়েল

### দিষ্ট্রিক্ট হোষ্পিটাল ইম্ফাল ইষ্টকী ব্রাথোক

ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা দিষ্ট্রিক্ট হোষ্পিটাল অমমম থন্নবা পান্দমদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা শগোলমাংদা দিষ্ট্রিক্ট হোষ্পিটাল শানবা ২০১১ দা উরেপ উয়ুং তমখ্রবা মতুং মমাং থা এপ্রিল ৬ তা ক্যামগৈদা অমুক উরেপ উয়ুং তমখিবদগী থোরক্লিবা ব্রাথোক অসি নুমিৎ ৪০ নি হেল্লক্লবসু সরকারগী মায়কৈদগী চপ চাবা ব্রারোইসিন অমা পুরকপা ঙমদবা অসি সরকারগী থৌশিলদগীনি হায়না লৌই। হৌজিক ব্রাথোক অসি হেন্না চাউথোরক্কুনা থা অসিগী ১৯ থাংজ নুমিৎকী অয়ুক পূং ৫ দগী পূং ৩৬ কী মণিপুর পূম্বা জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌখিবা অসিনা অমুক্কা হেন্না ফীভম লুশিলক্লি। চীফ মিনিষ্টর এন বীরেন সিংহনা রিপ্রজেন্ট তৌরিবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী হোষ্পিটাল অমা শানবা থৌরাংদা অসুক চাউবা ইরাং থোরক্লবা ফাউবদা ষ্টেট সরকারনা চপ চাবা ফিরেপ অমতা লৌবা ঙমদনা লৈরকপা অসিমক সরকার অসিগী অশোয়বনি অমদি মীয়াম্না হৌরক্লিবা ইহৌ অমদি ইরাং অসি সরকার অসিনা থোকহনবনি হায়না লৌরোইদবগী মরম লৈতে। অমরোমদা চীফ মিনিষ্টরগী দিষ্ট্রিক্ট ওইবগী খুদোংচাবা লৌরগা দিষ্ট্রিক্ট হোষ্পিটাল ২ ইম্ফাল ইষ্টতা থন্নবা অরোনবা এজেন্দা লৈরব্রা হায়বা অসিসু চীংনিনিংঙাই ওইরে।

সগোলমাংদা দিষ্টিক্ট হোষ্পিটাল শানবা ২০১১ দা উরেপ উয়ুং তমখিবা মতম অদুগী কংগ্রেস সরকারগী কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরদা হৌজিক চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা এন বিরেন সিংহসু য়াওদুনা অচৌবা থৌদাং লৌখিবনা মরম ওইরগা চপ চাবা অশেংবা অচুম্বা অদু খংলমগনি। হেন্না ঙক্লিবদি হৌজিক মেদিকেল মিনিষ্টর ওইরিবা এল জয়েন্টকুমারনা মতম অদুদসু মেদিকেল মিনিষ্টর ওইনা থৌ পুখিবনি অমসুং মশামক্তা উরেপ উয়ুং অদুসু তমখিবনি। অদুগা অমুক মমাং থাদা ক্যামগৈদা দিষ্টিক্ট হোষ্পিটাল শানবা উরেপ উয়ুং তমখিবা অদুসু লুচিংবা অসিননি। শ্বাইদনি মীয়াম্না হেন্না চীংনবা পোক্লরিবা অমদি রাজনিতিগী লমন খুম্বা ওইনা উনরক্লিবসি। থা অমা হেন্না সগোলমাংদা শানবা তৌরম্বা দিষ্টিক্ট হোষ্পিটাল অদু হোংদোকপা য়ারোই হায়বা মীয়ামগী ইহৌ অমদি খোঙজং কয়া চংশিলক্লবা ফাউবদা সরকারনা তুমিন্না লৈশিনবতা নৎত্তনা নৌনা ক্যামগৈদা অমুক শানবা থৌরাং তৌরিবা সরকারগী থৌশিল অসি শৌগৎতুনা ক্যামগৈ অমদি অকোইবদা লৈরিবা মীয়াম্না করিগুম্বা ব্রাফম অমত্তা ফোঙদোরক্কবা অসিনসু সরকার অসিগী অরোনবা থৌশিল অমরা হায়াবদু হেন্না চীংনহল্লি।

হৌজিক্তি সগোলমাংদগী দিষ্ট্রিক্ট হোষ্পিটল হোংবা য়ারোই হায়বা ইহৌ অসি লমদম অদুগী মীয়াম খক্তগী ওইদ্রে। ষ্টেটকী ইসু ওইরে হায়বা অসি তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাইটি ওর্গানাইজেসন অমদি অতৈ লূপ কয়ানা ফোঙদোক্লখিবতা নৎত্তনা কাংপোকপী দিষ্টিক্টকী মনূংচনবা সাইকুল কেন্দ্রগী মীয়াম অমসুং ওর্গানাইজেসন কয়াসু য়াউশলক্লি। চীংদা চৎসি, খূঙ্গংদা চৎসি হায়বা খোল্লাউ কয়া লাউদুনা মীয়ামগীদমক পায়খৎলিবা য়াইফ– থৌরাং কয়াগী কান্নবা হকথেঙননা ফংহন্নবা শিংথানিংঙাই ওইবা মওংদা থবক কয়া পায়খৎলবসু চীং অমসুং তম অনীমক শাগোন্নরিবা সগোলমাং দিষ্ট্রিক্ট হোষ্পিটালগী ইশু অসিদি নাথৈদুনা অমদি মুক্লবগী মওংদা অসুমক থম্বা অসিদি য়াম্না পেনিংঙাই ওইদে। মরম অদুনা হেন্না কনবা খোঙজং লাক্ত্রিঙৈ থা অসিগী ১৯গী মাংওইননা ব্রারোইসিন অমা পুরক্লবা হোৎনবা চুমগনি। নৎত্রগনা সগোলমাং অমসুং ক্যামগৈদা দিষ্ট্রিক্ট হোষ্পিটাল অমমম চীফ মিনিষ্টিরগী বোনস ওইনা শারগনি হায়না ময়েক শেঙনা লাউথোকপনা ফরগনি।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### ফুঙ্গা ব্রারীগী কান্নবশিং মহৈরোইশিংদা

ইকায় খুম্নজরিবা এডিটর,

তশেংনা চহী কয়াদগী কনানসু নিংশিংবিরক্তবা মৈহৌরোলগী ব্রারী অচুম্বশিং মহৈরোইশিংদা খংহন্নবগী ব্রাফম এডুকেসন মিনিষ্টরনা ফোংদোকপা অসিমক থাগত্তবা ঙমদে। মমাংদা লৈরম্বা সরকারশিং মতম ফাত্তবা অসিগুম্বা অচুম্বা মৈহৌরোলদগী চৎনরকখিবা অচুম্বা লিক্লমশিং মহৈরোইশিংদা খংহন্নবা খোঙথাং অমত্তা ফোংদোকখিবা লৈত্রি। মমাংঙৈ মতমদা লৈরকখিবা মতম অসিগী কাংলূপ ময়ামশিনা হিংমিন্নরকখিবশিং নুংশি চান্ননা থকশি–খাশি লৈনরকখিবশিং খংহনবা য়াম্না তঙাইফদে। হৌজিক্কী লৈরিবা মহৈরোইশিং অসিগুম্বা তুংগী শুরোল চারোলশিংদসু অফবা লমচৎ শাজৎশিংদা খোংদাবা ঙমননবা য়াম্না দরকার ওইরে। হৌজিক্কী মতমদা মোর্ডন এজনি হায়দুনা মমাংঙৈ মতমগী চৎনবী কয়া লাপথোকহনবা হায়বসি অচুমবা ওইরোই। হৌজিক্কী মতমদা মতমগী চৎনবী কয়া লাপথোকহনবা হায়বসি অচুম্বা ওইরোই। হৌজিক্কী মতমদা পিক্লিবা ইনখৎলকইবা অঙাংশিং অমদি মহৈরোইশিংদা লান্না লান্না ব্রারী লিশিনবা কয়া য়াওবদগী অঙাংশিংবু লান্না লমজিংবিরি। মণিপুর হায়না হৌজিক হৌজিক খংনরিবা অসি মতম অমদা মমিং তোঙান তোঙানবা কয়া থোন্নরম্বগী ব্রাফমশিংসু লৈরকইবনি। লৈকায় খুঙ্গংশিং কৈথেলশিং পাৎ তুরেলশিং মতম অমদা থোল্লম্বা মমিং কয়াদু নিংশিংলুবদা উরিবা খেন্নবশিং নৈনবা চুমই। ইশম শন্না ব্রাফম অমত্তং থমজরবদা কৈসামপাৎ হায়না খঙনরিবা ইম্ফাল ময়োলসু ওইরিবা অসিগী হৌজিক ওইরিবা অসিগা খেন্নবশিং লৈরিবসিনি। পাৎ অমদি তুরেল হায়বসিদা খেন্নবশিং নিংথিনা তাকপা চংই। হৌরকফম খংদনা হিংবা পুন্সি কৈদৌনুংদা অফবা পুরকপা ঙমলোই হায়বসিগা ইরোইননা ফুঙ্গা ব্রারী করিগীদমক্তা লৈরকখিবনো হায়বসিনি। মতম অমদা লৈরম্বা মীওইশিং কয়াদুগী চাদ নাওদাশিংগী শুরোল চারোলশিং কয়াগী শন্দোরকইবা শুথাংশিং ঙসিদি অমত্তা নুংশিননা হিংমিন্নবা উরক্ত্রে। অসিগুম্বা এব্রার্নেস প্রোগ্রামশিং লমদমসিগী মফম পূন্নমক্তা য়াম্না তোয়না পাংথোকপদা কান্নবা লৈগনি থাজে। মমাংঙৈ মতমগী লৈরম্বা ইপা ইপুশিংনা খঙনরম্বা ব্রারী ব্রাখোংশিং তাহনবদা অঙাংশিংদ অহোংবা কয়া উবা ফংগনি থাজে। মতম চানা পুকচেল চাওরবা মন্ত্রি ওইবিরিবনা পুখৎপিরকইবা তাঙ্কক অসিনা মরম ওইদুনা লমদমসিদা ক্বালিটি এডুকেসন খুৎশন্নরকপদা মতেং য়াম্না ওইগনি। হৌজিক লমদমসিদা থকশি খাশি অমত্তা য়াওনরক্ত্রিবা অহল লমন মশক খংজিল্লক্ত্রিবা কয়াসি মাংহনবদা মসিনা মতেং ওইরগনি। মীতৌ তম্বদা অফবা ফত্তবা হান্না নৈনদবা মান্ননবা হোৎনবদা থব্রাই তাজবশিং ঐনা মহেল্লে হায়বরোমদা মাংজিন থারকইবসিনি। হৌজিক লমদমসিদা লৈরিবা ধর্ম্মগী ওইবা চৎনবী কয়াসিদা মৈতৈ–মীতৈ ফুরুপসিনা খ্বাইদগী মশিং য়াম্না লৈবা ফুরুপ ওইরিবনি। মসিগী মথক্তা থোকইবা থৌদোকশিং পূন্নমক নোংম নোংমগী অনৌ অনৌবা অনিং অনিংবা হাপচিন্নদুনা পাংথোকপা তান্নরিবনি। মদু ফত্তে হায়বসি হায়বিনবা মীওই অমত্তা লৈতবদৌনা অনিং অনিংবা পাংথোক্লরকপদা অচৌবা মাংজবা অমা ওইরকইবনি। লমদম অমা চাওখৎহনবদা এডুকেসনগী মতেং য়াম্না দরকার ওইরিবনিনা পুকচেল চাওরবা লৈঙাক ফীদাদা লৈবিরিবা এডুকেসন মিনিষ্ট্রনা পুথোকপিরিবা ব্রাফমসি মহৈরোইশিং অমদি ইরমদমবু নুংশিবীবদগীনি হায়নিংই। মঙ্গল ওইবিয়ু তুং কোয়না লৈবাক্কী সেবা ঙম্বা ওইবিয়ু লোইননা লমদমসিগী লৈরম্বা অচুম্বা হিষ্ট্রিশিং মহৈরোইশিংবু খঙহন্নবা থৌদাং পুথোকপীরকউ। হৌখিবা চহি কয়াদা খংহল্লকখিদ্রবসু হন্দক্কী অদোমগী খোংফমসিদদি ইপা ইপুশিংবু মীকপ থোকহন্দুনা মহৈরোয় কয়ানা কাওথোক্লরবা লমদমসিগী অচুম্বা ব্রারী কয়া পুথোক্তুনা নুংশি চান্ননা পূন্নমক হিংমিন্নরসি।

অদোমগী
কে ইমো মৈতৈ
ইম্ফাল

# ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট হোষ্পিটাল শগোলমাংদা শাফম থোকই

*টিঐচ উদোই লুব্রাং*

**''শগোলমাং ডিষ্ট্রিক্ট হোষ্পিটালগী ইহৌ সোসিএল ইসুনি। অখুবা রাজনিতিগী পাম্বৈনা থেম্বা য়ারোই। শোয়খ্রবদি শোয়খ্রে। লানখ্রবদি লানখ্রে হায়বা অতাংবা গুনশিংগী চন্নফম লৈগনী। 'তুমদবা মী হৌদোকপা লুই' হায়বসি মণিপুর সরকারদদি তাহন্দবা ফৈ''**

ব্রাহৈ অমগী ভেল্যু অমসুং চন্নফম চানা শিজিন্নবা হায়বসি মীওইবগী অতাংবা গুন ওইরিবনি। গুন অসিমক মণিপুর সরকারদা লৈতবগী মমি তারি। অচৌবা মী নৎত্রগা লুচিংবনা অচুম্বা নাথৈখ্রবদি প্রজাশিং কাংখোং চাইরকপা অমসুং পামদবা থৌদোকশিং থোকলকপা হায়বসিসু মশানা তাবনি। সরকারগী শক্তিদি মপান নাইদে। বোম, তোপ, নোংমৈ, তিয়ার গ্যাস স্মোক বোম, লিচৈ, জেল অমদি অতৈ অতৈ পাঙ্গলগী শক্তিশিং পনবা য়ারি। মীচম প্রাজশিংগী শক্তিদি ব্রাকৎ মীফম, রেল্লি, বন্দ, ইকনোমিক ব্লোকেদ, জেনরেল ষ্ট্রাইক অসিনচিংবনী।

শগোলমাংদা ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট হোষ্পিটাল শাননবগী প্রজাশিংনা চংশিল্লকপা খোঙজঙ নুমিৎ ৫৫ নি হেনখ্রে। খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র অমসুং সাইকুল কেন্দ্রা অনীগী মশিং য়াম্লবা প্রজাশিংনা মখল মখা কয়াগী খোংজং চংশিল্লকপদা ষ্টেট ফোর্সশিংনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখত্তুনা অথিংবা পীখি। চৈফু চৈনা অমদি তিয়ার গ্যাস কাপ্তুনা মীচম প্রাজা কয়ামরুম অয়ো নাহে চলহনখি। মীওই কয়া অমনা হোষ্পিটালদা লাইকন্নখি। সরকারনা অরৈবা শক্তি ফুদোক্তুনসু সোসিএল ইসুবুদি নমথবা ঙমদ্রি। লমদমসি খক্তঃ নত্তনা পৃথিবিগী অতৈ মফমশিংদসু সোসিএল ইসুবুদি মায়থিবা ঙমখিদ্রি। ডেমোক্রেটিক অধিকার ফংলিবা প্রজাশিংগী সোসিএল ইসু অহোইনদুম নোংমা নোংমগী মশক মঙাল থোকপা হেনগৎলক্লি। তুমদবা মী হৌদোক্লবা হোৎনবদা মখল মখা কয়াগী উপাই শিজিন্নবগুম সরকারগী অচুম্বা মাইয়োন লাক্লনবগীদমক জে এ সি এগেনষ্ট দ অন–নেচরেল সিফটিং ওফ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট হোষ্পিটাল ফ্রোম শগোলমাং খুন্দ্রাকপম অমসুং সাইকুল কেন্দ্রা অনীগী মশিং য়াম্লবা ক্লব, ওর্গানাইজেসন, মৈরা পাইবি অমদি অতৈ অতৈ লূপশিংগা পূনশিন্নদুনা লাক্লিবা মে ১৯ থাংজ নুমিৎকী অয়ুক পূং ৫ দগী মথং নুমিৎ মে ২০ নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পূং ৫ ফাওবা মণিপুর পূম্বদা পূং ৪৮ গী জেনেরেল ষ্ট্রাক লাউথোকখ্রে। ইসু অসি ষ্টেট ব্রাইদ ওইরে। তশেংনমক সোসিএল ইসু হায়বদুগী চপ চাবা শক্তম ময়েক শেংলে। ফীভমসিদা অখং অহৈ অমদি সোসিএল সিনারিও কূপ্না নৈনরিবা প্রিন্ত এন্দ ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়াশিংনা অহেনবা মীৎয়েং চংদুনা অচুম্বা ব্রাখৈনবা অমদি তংদু লৈতাবা সোসিএল স্ত্রকচর পুরক্লবা দরকার লৈবা দাইত্ব লৌবগী তঙাইফদবা লৈরে।

হীরমসিদা অইবনা মীয়ামগী পূক্লিং চীংশিঙ্গনিংলিবা ব্রাফমদি, ইং ২০১১ গী দিসেম্বর ১৬ তা মতমদুগী সি এম ওক্রম ইবোবি (কংগ্রেস সরকার) অমদি হৌজিক্কীসু ওইরিবা মতমদুগী হেল্থ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট হোষ্পিটাল শাননবগীদমক শগোলমাংদা উরেপ উয়ুং তমখি। অমুক ইং ২০১৮ গী এপ্রিল ৬ তা হোষ্পিতাল অসিমক লমগী চয়েৎনবা লৈবনা কৈরাও এসেমব্লি কনষ্টিট্যুএন্সিগী মনূং চনবা ক্যামগৈ ময়ায় লৈকায়দা হোংদোক্তুনা নৌহৌননা শাননবা উরেপ উয়ুং তমখি। ক্যামগৈদা হোষ্পিটাল শাবা হায়বসিসু অফবা খোংথাংনি। কনানসু য়েৎফম থোকতব্রা খল্লী। অদুবু অকক্লবা বদজেতকী চাকথুং ওইরিবা হোষ্পিটাল অসি য়েন্নদুনা শাবদি য়াফম থোক্তে। হেল্থ সেক্টর অসিনা মীওইবগীদমক খ্বাইদগী মরু ওইরি। চাওখৎপা অমসুং মান্নবা খুনাই অমা পুরকপা হায়বসি রাজনিতিগী লৌতুনবা লৈতনা খল মান্নবা মীৎয়েং থমদুনা থবক পাঙবা চঙই। জিওগ্রাফিকেল লোকেসন অমদি পোপুলেসন য়েংবা মথৌ তাই। অপূনবগী শক্তম শাগৎননবা অমদি চাওখৎমিন্ননবা হোৎনবদা নাকল নাম্মতগী চাওখৎ থৌরাং তৌবা চুল্লোই।

মতাংসিদা নৈননিংঙাই ওইরিবা ব্রাফমদি, সরকারগী মহুৎ শিন্দুনা হেল্থ মিনিষ্টরনা লমগী চয়েৎনবা লৈ হায়রিবসি অর্থ থোক্লিব্রা? সরকারনা সুপ্রিম ওথোরিটিনি হায়রিবসি লানগদৌরিব্রা? লমগী চয়েৎনবা লৈ হায়রিবা শগোলমাংদুদা করিগীদমক উরেপ উয়ুং তমখিবনো? চীং–তম লম পূন্নমক্কী ওথোরিটি সরকারনি হায়বসি সি এম না প্রিন্ট এন্দ ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়াশিংদা তত্তনা ফোংদোকখ্রে। অদু ওইরবদি লমগী চয়েৎনবা লৈ হায়দুনা জাত্রা হুল্লবা হোষ্পিটালবু অতোপ্পা সরকার পায়মিন্নবা জগা অমদা অমুক পূবসি মীয়াম সমাজগী খল য়েংদনা অখুবা মীৎয়েংদা রাজনিটিগী লৌতুনবনি হায়রোইদবগী মরম লৈরিব্রা? সরকারনবু ভাব মেন তাদনা পংতৌদা তৌবা য়াব্রা? সরকার পায়বা মন্ত্রি অমনবু তৌরবদি রুল্লিংগী এম এল এ অমসুং মন্ত্রিশিং পূন্না লেপমিন্নগদবনি হায়বগী অরোনবা রিজোলুসন লৌমিন্নখিবা লৈব্রা? প্লানগী অকক্লবা বদজেতনা শাগদৌরিবা হেল্থ সেক্টর জগা অমসুং মীশিংগী খল ওনদুনা মান্নবা খুনাই অমা পুরক্লবগী খরা শোখবা অমদি অরাপ্পা মফমশিংদা শানিংদবগী মরম করিগীনো? হুরানবা নকোক্তঃ নাপি পক্লে হায়বা পাউরৌদুগা য়াম্নবু চাশিন চুশিন্নরি। লমগী চয়েৎনবা লৈ হায়রিবসি নমথাক নত্তে য়েৎকদৌরিব্রা? লমগী চয়েৎনবা লৈ হায়বসিদা খংমিন্নবা য়ারিবদি, লম পিরিবা মীওই ৬ নী। মী ৪ গীদি চয়েৎনবা লৈতে হায়দুনা মিনিষ্টরনসু ফোংদোকখ্রে। করিগুম্বা মতমদসু সরকারগী মাইকৈদগী মী ৪ গী মনূং চল্লিবি পতাদার ওইরম্বি টি ঐচ নিবেদিতাগী চরক চহিং নাইবা ব্রাফম কাংবসু য়াওখি। মহাক্কী ওইনদি ইং ২০১৩ গী নবেম্বর থাদা হেল্থ দিরেক্টরগা দাইরেক্ত পর্চেজ তৌনদুনা পৈশা ফংখিবগী ময়েক লারবা খুদম চাংদম লৈখ্রে। চয়েৎনৈ হায়রিবা মী অনিসি আর কে লক্ষিসনা অমদি থৌদাম মোমোন ওইগদৌরি। আর কে লক্ষিসনা হায়রিবা পতাদার অসি শগোলমাং সি ঐচ সি গী অব্রাৎ অপাগী পোৎলমশিং পুরগা লাকপগী লম্বিদা ব্রান্থরক্তুনা খুদোংথিবদুদা লৈখিদ্রবা এম এল এ টি ঐচ নবকুমারগী লোয়নবিনি। লৈখিদ্রবগী মীংদা লম অদু কথোকচরগে হায়খিবনি। অদুবু গভর্ণমেন্টনা পৈশা পীরগা লৌগনী হায়দুনা প্রোসেস তৌরকখি। গভর্ণমেন্টনা প্রোসেস তপ্পদগী লোইশিনদনা লাকখিবনি হায়দুনা লক্ষিসনা মশানা এপ্রিল ২৮, অপূনবা মণিপুর কনবা ঈমা লূপ (এমকিল)গী ভি পি ললঙানবি, অমসুং নুপি সমাজগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ রমনি অমদি ভি পি ইবেমনুংশি য়াওবা শগোলমাংগী মীফম অমদা ফোংদোকখি। দরকার লৈবা লমদি মাংজৌননা পীখ্রবনি। অদুবু সরকারগী মীংদা ওনশিন্নবদি কেবিনেতনা য়াদুনা ইং ২০১৬, এপ্রিল ১৬ অমসুং জুলাই ২৬ তা হেল্থকী অন্দর সেক্রেতরিনা ওর্দর থোক্তুনা লেন্দ কম্পেন্সেসনগী শেনফমদু গভর্ণমেন্টনা পীননবা খঙহনখি। মখোয়গী প্রোসেস তপ্পনা শেলফম পীথোক্তবদগী লমগী মমিং আর কে লক্ষিসনা ঐঙোন্দা লৈবনি ফোংদোকখি। অমরোমদা হেল্থ মিনিষ্টরনা এপ্রিল ৮ গী প্রেস কনফরেন্স অমদা গভর্ণমেন্টগী পৈশা লৈতবনা লম অসি গভর্ণমেন্টদা কথোক্লে হায়না অয়াবা পীরগদি ডিষ্ট্রিক্ট হোষ্পিটাল শাবগী ব্রাফম অসি চীফ মিনিষ্টরদা পুখৎলগা খন্নগনি ফোংদোকখি। ব্রাফমসিদগী ওইরম্বা য়লই। লম অসি সরকারদা কথোকচরগে হায়দুনা পতাদারনা মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরিদা অইবা চেরোল পিদুনা এপ্রিল ১৬ তা খঙহনখি। মরী লৈনবা মিনিষ্টর অমসুং দি সি দসু কোপি পিখি। কেন্দ্রগী এম এল এ টি ঐচ লোকেশ্বরনা মমা পতাদার লক্ষিসনাগী ব্রিতনেস ওইরগা লম অসি গভর্ণমেন্টদা কথোক্ল হায়বগী সাইন তৌনবা এপ্রিল ২৪ দা গভর্ণমেন্টগী মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিং শগোলমাংদা পতাদারশিংগা লোইননা ঙাইখি। ব্রাফম অসিমক এপ্রিল ২০ দা লাওথোক্তুনা এপ্রিল ২১ গী মেদিয়াশিংদা য়াওখিবনি। লাইবক থিবদি সরকারগী মাইকৈদগী পাউখুম পীদ্রি। নুমিৎ অদুদা অতোপ্পা পতাদার থৌদাম মোমোন্না হায়খি। ইং ২০১৬ তগী লমগী কম্পেন্সেসন পীগনী ঙাইরকপনি। পীদ্রবনিনা হোষ্পিটাল শাননবগীদমক মহাক্কী লমসু কথোকচরে হায়দুনা সেল্ফ দিক্লারেসন তৌদুনা সাইন তৌখি। মীফম অদুদসু আর কে লক্ষিসনা ডিষ্ট্রিক্ট হোষ্পিটাল শাবিয়ু। মহাক্কী লমসু সরকারদা কথোকচরে লাওথোকখি।

অমরোমদা খ্বাইদগী মরু ওইরিবা হেল্থ সেক্তঃরগী লম অসিদা ব্রাথৈজন লাম্থৈজন থম্বিরিম্নগা মীচং শঙ্গল নাইবা রাজনিতিগী খুদোংচাবা লৌনবতা হোৎনবগী থৌশিল থৌরাংবা থবক থৌওং অসি মীয়ামগীদমক খনবা মীপূম খুদিংমক্কী থম্মোইদা চাওনা চৈনা পীবগী মমি তারি। পব্লিক সেক্তঃর নৎত্রগা প্রোজেক্তশিংগীদমক লনাই লৈনরিবা য়ূম ইংখোল ফাওবা হালেংবা লৈতনা লৌশিল্লিবা সরকারনা হোষ্পিতাল অসিগীদমক লম লেন্না কথোকচরগে হায়রফাও নম্ফু সাসন তৌদুনা উরৈ–পরৈ ঙাংবসি মীওইবা খুনাইনা য়ানিংলোই। অশানবা মীৎয়েংগা লোইননা মান্নবা খুনাই পুরক্লবগীদমক চীফ মিনিষ্টরনা 'চীংদা চৎলো' অমদি 'খূঙ্গংদা চৎলো' হায়বা মিসনশিং হৌদোক্তুনা পূন্না চাওখৎমিন্ননবা হোৎনরি। মিসন অসিমক সি.এম অমসুং সরকারগী অশেংবা থম্মোইগী ফীরেপ ওইরবদি খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রগী শগোলমাং খেব্রাদা দিষ্ট্রিক্ট হোষ্পিটাল শাফম থোক্লে। মরমদি মফম অসি কুকি, নাগা, মৈতৈ, নেপালি, মৈতৈ পাঙল পূন্নমক্কী ইতিনফন্নি। খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রগী মফম ওইজরবসু সাইকুল কেন্দ্রগীসু খ্বাইদগী খুদোংচাবা মফম ওইদুনা হোষ্পিটাল অসিগী অমত্তা ঙাইরবা লম্বী ফাওদুনা চৎলিবনি। কাংপোকপি অমসুং উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টশিংগী প্রাজাশিংসু হোষ্পিটাল অসিগী অকোইবা চীংয়াগী জগাশিংদা খুন্দা লৈতারিবনি। মফমসিমক ইম্ফালদগী কি. মি. ২০ গী মথক্তা লাপ্লি। কি. মি. ৫০–৬০–৭০ ফাওবগী মীওইশিং লায়েংনবগীদমক ইম্ফাল তম্না হায়গৎলকপা হায়বসি খুদোংথিনিংঙাই ওইরি। করিগুম্বা মফমসিদা দিষ্ট্রিক্ট হোষ্পিটাল থম্বিরবদি থোইদোক্না চাওখৎপগী মঙাল কা হেন্না ফংদ্রিবা অমসুং শেল–থুমগী ফীভমদা অব্রাবা মাইয়োক্লরিবা মীপূম খুদিংমক্কী খুদোংচাবা ওইরগনি। মফম অসিগী অকোইবদা খুন্দা লৈতারিবশিংগী লম্বি–থোং কা হেন্না খুদোংচাদ্রি। ইম্ফালদি লাইরদনা শগোলমাং হোষ্পিটাল য়ৌরকপদা খুদোং চাদ্রিবা খুঙ্গংশিংনা মশিং য়াম্লিবা লমদন্নি। সরকারনা দিষ্ট্রিক্ট হোষ্পিটাল শগোলমাংদা শাবা অচুম্বা খোংথাং ওইগনি।

অমরোমদা খলগী মীৎয়েংদা নৈনরবদি ক্যামগৈ হায়বসিদি ইম্ফালগুম্বনী। লম্বী থোংগী ফীভমসু করি হেন্না শোখদ্রি। পুংখায় অমগী মনূংদা অনাবা খুদিংমক ইম্ফালগী অফবা হোষ্পিটাল অমদা হেক্তা য়ৌবা য়াবগী খুদোংচাবসু লৈরি।

# শেনজা–থুমজাগা মহৈ–মশিংগা লৈনবা মরী

*এন সি শান্ত*

লৈবাক অমা শেম্বদা য়াম্না মরু ওইবা থৌদাং লৌরিবা ফেক্তরশিংগী মনূংদা মহৈ–মশিং (এদুকেশন) হায়বসিসু অমনি। মহৈ–মশিংবু নীংথিনা চাওখৎপা ঙমদ্রবা লৈবাকতুদি কৈদৌঙৈদসু অপূনবগী ওইনা চাওখৎপা পুরকপা ঙমদে। অমরোমদা শেনজা থুমজানা পীক থল্লবা লৈবাক অদু কৈদৌঙৈদসু তঙ–তাবা মরা চেৎপা লৈবাক ওইবা ঙমদে। মরম অদুনা মহৈ–মশিং অমদি শেনজা–থুমজা অনীমক অসি য়াম্না মরুওইবা শরুক অমমম ওইনা লৈবাক অমনা ঈংনা তপ্পা অমদি মরা চেৎনা চাওখৎপদা য়াম্না তঙায়ফদনা চঙবা মচাক শিংনি। মচাক অনী অসিগী লৈনবা মরী অদু মখাদা খরদং থমজগে।

মহৈ–মশিংগী লমদা হেন্না পূক্নীং চঙশীনবা অমদি হেন্না অফবা সিষ্টেম অমা পুখৎলকপা ঙম্নবগী মচাকশীংগী মরক্তা য়াম্না মরু ওইবা থৌদাং অমা ওইনা লৌরিবসি শেনজা–থুমজা লৈহন্দবসিসু অমনি। লৈবাক অয়াম্বগী চৎনবী মতুংইন্না মহৈ–মশিং তম্বা হায়বসি মহৈ–মশিং হৈনবগী শরুক অমনি। মহৈ–মশিং হৈরগদি গভর্ণমেন্ট অমদি নন–গভর্ণমেন্ট অনীমক্কী থবক–ইনখাঙদা য়াওবা ঙমগদৌরিবনি হায়না খন্নে। অদুবু হৌজিক্কী মতমদা মহৈ–মশিং তম্বা অমদি হৈবা হায়বসি য়াম্নমক হেক তঙায়ফদবা অমদি চঙদবা য়াদ্রবা মচাক অমা ওইরক্লে।

অমরোমদা, লৈবাক অমদা শেনজা–থুমজাগী চৎনবীনা পিক থল্লবা মফমদুদা মহৈ–মশিংগী থাক অসি য়াম্না নেম্মী হায়বদি অদুগুম্বা লৈবাক অদুদা মহৈ হৈবগী চাং নেম্মি অদুবু মহৈ–মশিং তম্বগী অমদি পাস তৌবগী চাংদি ব্রাংই। অদুগুম্বা লৈবাক অদুদা তশেংনা মহৈ হৈবা মীগা মহৈগী সর্টিফিকেট পায়বা মীগা অনী অসি মহৈগী সর্টিফিকেট পায়বা মীওইনা হেন্না মমল য়াম্বা ওইনা লৌনৈ অমদি মীওই অয়াম্বনা মহৈ– হৈবা – হৈতবগী থোইনা খন্থরুবা তৌদনা সর্টিফিকেটখক্কী খল্লগা মহৈ তন্নবগী চৎনবগী চৎনবী লৈ।

অমরোমদা শেনজা–থুমজা হেন্না তৌবা মফমশিংদা সর্টিফিকেটতা য়ুম্ফম ওইবা মখলশিংগী থবক কৌনৈ। মরম অদুনা হায়রিবা লৈবাকশিংদুদা সর্টিফিকেট পায়বা মীওইশিংবুনা হেন্না লুনা লৌনৈ অমদি ঈকায় খুমনৈ। অদুবু মাহৈ হৈবগী চাংদি য়াম্না ব্রাংবা অদুগা সার্টিফিকেটতি পায়দবা মীওইবুদি লুনা লৌনদে মীনা মশক খঙনদে। মরম অসিননি শেলজা–থুমজাগী থাক য়াম্না ব্রাংবা লৈবাক অয়াম্বদা সর্টিফিকেট পায়রগা লোইরে হায়বগী মওং অমা লাক্লিবা।

শেনজা–থুমজা তৌবা লৈবাক অমদা থবক চঙবদা সর্টিফিকেটকী তঙায় ফদবা লাকপা মরন্না হৈব– হৈতবগী থোইদোকপা খেন্নবা খঙদবা চপ–মান্নবা সর্টিফিকেট কয়া লাক্লরি। অমরোমদা, শেনজা থুমজাগী চৎনবী লৈরবনিনা, সর্টিফিকেট পায়রিবা পূন্নমক্তসু হৈ– হৈতবগী চাংয়েংদা থোইদোকপা খেন্নবা থমদনা অপাম্বা য়েংলগা খঙনচান্নবা য়েংলগা থবক চঙবা অমদি চাংয়েংদা খনবগী থবক চথনরি।

অদুনদি, অদুগুম্বা শেনজা থুমজাদা থাক ব্রাংনা লৈরিবা, মফমদুদা লৈরিবা মীওইশিংগী মহৈ মশিংগী থাক অসি মহৌশানা অদুম্মক নেমফম থোকই। মতাঙ অসিদা খন্নদবা য়াদবা অমনা মহৈরোইশিংবু নীংথিনা মহৈ হৈহনবা হায়বসিদা শেনজা থুমজানা হেক লৈরিবমখৈদি মহৈ হৈবগী চাং অসি খরা মখৈদি শেমদোকপা ব্রাগনি। অদুবু মতাঙ অসিদা মহৈ হৈবগী কান্নবদি হৌজিক্কী মতম অমদি তুংদা লাক্কদবা মতমদদি থবক চঙবা চঙদবগী ব্রাফম খক্তদা য়ুমফম ওইবা য়াদ্রে হায়বদি ঈশাগী হৈশিংবা, ব্রাখল– লৌশিং হেনগৎনবা, ব্রাখল খনথবা ঙন্নবা, চাওখৎ– থৌরাং পায়খৎপা ঙন্নবগীদমক্তুনি হায়না লৌনরে। মসিমক ওইদুনসু হৌজিক্কী চৎনরিবা মতমদা মহৈ–মশিং থাক অসি ব্রাংখৎহনগে হায়রবদি শেনজা–থুমজাগী থাক অসিসু য়ারিবমখৈ হনথহনবগী অমদি লৈহন্দনবা হোৎনবগী মথৌ তারি।

মতাং অসিদা য়েংবা য়াবদি মহৈগী থাক ব্রাংবা হায়বদি হৈবগী চাং ব্রাংবা হায়বসি লৈবাক অদুদা শেনজা থুমজাগী থাক নেন্না লৈ হায়না লৌগনি। অদুগা করিগুম্বদা মহৈ হৈবগী চাংনা নেন্নবদি লৈবাক্তুদা শেনজা–থুমজাগী চাং অসি ব্রাংলি হায়না লৌগনি। নাকল অমরোমদনা করিগুম্বা লৈবাক অমদা শেনজা–থুমজাগী চাং অসি য়াম্না ব্রাংলবা মফম অদুদা মহৈ মশিং হৈবগী চাং অসি নেমগনি। করিগুম্বা শেনজা–থুমজানা নেন্নবা মহৈগী চাং ব্রাংখৎলক্কনি।

মসিদা নৈননিংঙাই খরদং পঞ্জরবদা করিগুম্বা লৈবাক অমদা শেনজা– থুমজাগী চাং অসি ব্রাংলবদা থোইদোক্না মহৈ য়াম্না হৈরুবগী কান্নবা লৈতে মসিগী মহুত্তা মহৈগী থাক অদুগা সর্টিফিকেট পায়বনা হেন্না মরু ওই হায়না লৌগনি হায়বদি লৈবাক্তুদা লৈরিবা মীয়াম পূম্বদা অরানবা ব্রাখলনা লমজিংখিদুনা হৌরক্লিবা মহৈরোই খুন্নাইদা সর্টিফিকেটকী কান্নবা খক্তমক খল্লগা মহৈ মশিং তমহল্লী। খুদম ওইনা হায়রবদা ব্রেষ্টর্ন এদ্যুকেসন সিষ্টেম অমদি ইন্দিয়াগুম্বগী সিষ্টেম অসিনি। মরম অদুনা য়াম্না প্রাক্তিকেল ওইবা চাংয়েংদা য়ূম্ফম ওইদবা অমদি মসিগা মরী লৈননা শেনজা–থুমজাগী চাং ব্রাংখৎলকপা মসিদা হৌরক্লিবা মহৈরোই কয়াদা মহৈ হৈননবা কন্না হোৎননিংবগী মহুত্তা অফংবা উপায় অমা শীজিন্নদুনা সর্টিফিকেট ফংনবা হোৎনবনা হেন্না মরু ওইনা লৌনরক্লি। করিগুম্বা লৈবাক অমদা মহৈগী থাক ব্রাংখৎহনগে হায়রবদি শেনজা–থুমজা হনথহনবা তাই। লোয়ননা লৈবাক অমগী ঈংতপ্পা, মরা– চেৎনা চাওখৎপা পুরকপদা শেনজা–থুমজা লৈহন্দবসু মথৌ তাই। অমরোমদা লৈবাক অমা চাওখৎ–থৌরাংদা অব্রাঙবা থাক অমা য়ৌবা ঙমহনগে অমদি চাওখৎপগী খোঙজেল য়াষ্খৎহনগে হায়রবদি মহৈ–মশিং হৈবগী থাক অসি য়াম্না নীংথিনা ফগৎহনবা তঙায়ফদে।

করিগুম্বা লৈবাক অমনা তংতাবা, ঈং–তপ্পা, মরা চেৎপগা লোয়ননা চাউখৎপগী লম্বীদা খুমাঙ চাওশিনবা ঙন্নবগীদমক্তা শেনজা–থুমজা লৈহন্দবগী থাক অমদি মহৈ–মশিং হৈবগী চাং অনীমক ব্রাংনা চৎমীন্নহন্দবা য়াদে। অনী অসিগী থাক হেক হম্থখিবদা অদুগুম্বা লৈবাক অদু লৈখা তানিঙাই ওই। মহৈ–মশিং হৈবগী চাংনা শেনজা–থুমজাগী চাংদগী হেন্না ব্রাংবা মরু ওই। লোয়ননা শেনজা–থুমজাগী চাংদি য়াম্না হন্থহনবা য়ারিবমখৈ লৈহন্দনবা হোৎনবদা মথৌ তাই। শেনজা থুমজাগী থাক ব্রাংবনা মহৈ–মশিং হৈবগী থাক নেমথহল্লকই। অদুবু মহৈ–মশিং হৈবগী চাং ব্রাষ্খৎহল্লবদি শেনজা–থুমজাগী থাক হনথহনবদা অচৌবা মতেং ওইহনবা ঙমগনি।